## নুংঙাইতবা ইম্মিগ্রেন্টশিং ময়ুমদা হনগদবনি

ৱাশিংটন, জুলাই ০৪ : য়ু এস-কেক্সিকো বোর্দরদা থোক্লিবা মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিস হেন্দল তৌবগী মওংদা দেমোক্রেটশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিংনা নৌহৌননা চৈ থাংলকখ্রবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা করিগুম্বা দিটেন্সন সেন্টরশিংদা লৈরিবা ফিভমশিংদা ইম্মিগ্রেন্টশিংনা নুংঙাইতবা ওইরবদি মখোয় মফম অসিদগী হনখিনবা হায়গদবনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

## ক্রাইম বোস পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে

অমষ্টরদম, জুলাই ০৪ (এজেন্সি) :
ওর্গনাইজ ক্রাইমশিংনি হায়বা মী হাৎপগী থৌদোক মঙাদা চেন্নখিবা দটচ ক্রাইম বোস ৱিলেম হোলিদের শগোলশেল নুমিত্তা অমষ্টরদমগী জজশিংনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। মশাগী চহী ৬১ শুরবা ক্রাইম বোস অসি কুমজা ১৯৮৩ দা বিয়র টাইকুন হৈনেকিন কিদনেপ তৌখিবগা মরী লৈননা মমাংদা পীখিবা কনভিক্সন অমদা পাক শন্না খঙনখ্রবনি।

## লিবিয়াগী মাইগ্রেন্ট সেন্টরদা চথখিবা এটেক ৱার ক্রাইম ওইবা য়াই : য়ুনাইটেদ নেসন্স



ৱাশিংটন, জুলাই ০৪ (এজেন্সি):
য়ামদ্রবদা মীওই ৪৪ শিখিবা অমসুং ১৩০ হেন্না অশোক-অপন নংখিবা লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিগী মনাক্তা লৈবা মাইগ্রেন্ট দিটেন্সন সেন্টর অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবগী থৌওং অদু ৱার ক্রাইম অমা ওইবা য়াই হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা চথখিবা বোম্মিং এটেক অদুগী মতাংদা য়ু এননা শকখঙবা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দনা লিবিয়ান নেসনল আর্মিগী মকোক জেনরেল খালিফা হাফটর শৌগৎপা ফোর্সশিংদা মরাল শীখিবনি। অমরোমদা, এল এন এনদি সেন্টর অদুদা মখোয়না টার্গেট তৌখি হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা তজৌরা দিটেন্সন সেন্টর হায়না খঙনবা মাইগ্রেন্ট দিটেন্সন সেন্টর অদুদা মীওই ৬০০ হেন্না লৈরিবনি। দিটেন্সন ফেসিলিটি অসিগী মফম কনফ্লিক্ট অদুদা চেন্নরিবা পার্টিশিংদা চপ চানা খঙহনখিবগা লোয়নননা মখোয়না মীচমশিং লৈবা মফমনি হায়না খঙলবা সেন্টর অদুদা টার্গেট তৌদুনা এটেক তৌখিবা অসিনা থৌওং অদু ৱার ক্রাইম অমগা মান্নে হায়না লৌবা য়াই হায়না য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস মিচেল্লি বাচেলেটকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হৌজিক শোক্নরিবা লান অদুদা তজৌরা সেন্টরদা এটেক তৌবসি হন্দক্কীসিনা অনীরকশুবনি হায়বা ৱাফমসু পনখি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেস্নেলনা ক্রিমিনেল কোর্টতা অথুবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা অমসুং থৌদোক অদুবু ৱার ক্রাইম অমা ওইনা নীং-তম্না থিজিন্নবা আপিল তৌখি। এটেক অদুদা চেন্নবশিং শোয়দনা ৱায়েল মায়োক্নহন্নবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্নবা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনসু আপিল তৌখি। পোলিটিকেল দাইলোগ চথনবসু মরী লৈনবশিংদা মহাক্না তকশিনখি।

ট্রিপোলিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা খন্ননবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইমজে ’ন্সি মীফম অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোক্নবা লেপখ্রবনি। য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনসু পোলিটিকেল প্রোসেসখক্তনা লিবিয়াদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা ঙমগনি হায়খ্রে।

## চাইনাদা টোর্নেদোনা মীওই ৬ হাৎখে, ২০০ রোম অশোক-অপন নংখ্রে



বৈজিং, জুলাই ০৪ (এজেন্সি):
চাইনাগী নোর্থ ইষ্টর্ন প্রোভিন্স লিয়াওনিংগী কাইয়ুৱান সিটিদা মতিক ময়াই লৈরবা টোর্নেদো অমা শিৎচিল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০০ রোম্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুংদা কিলোমিটর ৮২ হেন্না য়াংনা শিৎলকখিবা টোর্নেদো অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫.১০ তাবা মতমদা কাইয়ুৱান সিটি য়ৌরকখিবগা লোয়নননা ইন্দষ্ট্রিএল পার্ক অমা হুমদৎলবা মতুংদা সিটি অদুগী খা পাংখি অমসুং মিনিট ১৫ রোম কান্নরগা শাথিরবা নুংশিৎ অদুগী মতিক ময়াই চমখি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

নোং অমসুং লেন লোয়নরকখিবা অকিবগী মশক ফংলবা টোর্নেদো অদুনা সিটি অদুদা খঙহৌদনা শিৎচিল্লকখিবা অদুদা হাউজিং ব্লোক কয়াগী বিল্ডিং ৩,৫০০ অমসুং ফেক্টরি কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়নননা সিটি অদুগী পৱার সপ্লাইদসু অকায়বা পীখি হায়রি।

চাইনিজ ষ্টেট টি ভিনা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ইমেজ শিংদা গাড়ি কয়া মথংগা ওল্লগা লৈবা, পৱার পোল কয়া লৈমায়দগী ফুক্লগা তাবা অমদি অতেক-অকায় নংলবা বিল্ডিংশিং অমদি ফেক্টরিগী শরুকশিং উবা ফংখি।

## হাফিঝ সয়িদ, জে য়ু দিগী অতৈ লুচিংবা ১২ বুক তৌখ্রে

লাহোর, জুলাই ০৪ (এজেন্সি):
নুমিৎ খরনি ৱাৎলিবা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খোঙচৎগী মাঙওইননা অথিংবা থমখ্রবা জমাট-উদ-দৱা (জে য়ু দি)গী চীফ অমসুং টেরর এটেক মাষ্টরমাইন্দ হাফিজ সয়িদ য়াওনা গ্রুপ অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ১৩ টেরর ফাইনান্সিং অমসুং মনি লোন্দরিংগী কেস ১০ রোমগা মরী লৈননা বুক তৌখ্রে। পঞ্জাবকী সিটি মঙাদা এন্টি-টেরর এক্ট, ১৯৯৭গী মখাতা কেসশিং অদুবু রেজিষ্টর তৌখিবা কাউন্টর-টেররিজম দিপার্টমেন্ট (সী টি দি)না জে য়ু দিবু অল অনফাল ট্রষ্ট, দৱাতুল ইর্সাদ ট্রষ্ট অমসুং মুৱাঝ বিন জবল ট্রষ্ট য়াওনা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ট্রষ্টশিংগী খুৎথাংদা খোমগৎখিবা য়াম্লবা ফন্দশিং শীজিন্নদুনা টেররিজম ফাইনান্স তৌখি হায়না লাউথোকখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা দোন পাউচেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।



সী টি দিনা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা হায়রিবা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসনশিং অসি জে য়ু দি অমসুং মসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা শম্নে হায়বা খঙলকখিবগা লোয়নননা মখোয়বু পাকিস্তান্দা য়াম্লবা ফন্দশিংদু শীজিন্নরগা অচৌবা এসেটশিং অমসুং লন-থুমশিং পৈশিন্দুনা টেররিজম ফাইনান্স তৌই হায়না মরাল শীরদুনা হৌখিবা এপ্রিলদা অথিংবা থমখিবনি।

নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাহোর, গুজর্নৱালা, মুল্টান, ফাইস্লাবাদ অমসুং সর্গোধাগী সী টি দি পুলিস ষ্টেসনশিংদা জে য়ু দিগী লুচিংবশিং অসিগী মায়োক্তা এফ আই আর ২৩ রেজিষ্টর তৌখি। জে য়ু দিগী চীফ সয়িদতা নত্তনা মহাক্কী মরী-মতা নাইব এমির অব্দুল রেহমন মাক্কি, মলিক ঝাফর ইকবাল, অমির হমঝা, মোহম্মদ যাহয়া অঝিঝ, মোহম্মদ নাইয়িম, মোহসিন বিলাল, অব্দুল রকিব, অহম্মদ দাওদ, মুহম্মদ অয়ুব, অব্দুল্লাহ উবাইদ, মোহম্মদ অলি অমসুং অব্দুল ঘাফরসু বুক তৌখি।

জুলাই ২০ দগী হৌগদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী নুমিৎ ৫ নিগী য়ু এস খোঙচৎকী মাঙওইননা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। খানগী খোঙচৎ অদুদা মহাক্না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা টেররিজম য়াওনা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগদৌরিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা জে য়ু দিগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা টেরর ফাইনান্সিং তৌরম্বগা মরী লৈননা পাক শন্না হৌনবী মতুং ইন্না থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না সী টি দি, পঞ্জাবকী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখি।

য়ু এননা জে য়ু দি, লাস্কর-ঈ-টাইবা অমসুং ফলাহ-ঈ-ইসানিয়াট ফাউদেসননচিংবা গ্রুপশিংদা থমখিবা অথিংবশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ওইনা জে য়ু দিগী লুচিংবশিং অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা হৌরক্লি বনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## সিরিয়া য়ৌগদবা ওইল টেঙ্কর গিব্রাল্টরদা ফাজিনখ্রে

লন্দন, জুলাই ০৪ (এজেন্সি):
নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিং অমসুং ইরানগী মরক্তা মুক্নবা হেনগৎলকপা য়াবা খঙহৌদনা লাকখিবা খোঙথাং অমদা বৃটিশ রোয়েল মরিনশিংনা ওইল টেঙ্কর অমা সিরিয়াদা থাউ পুরিবনি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়নননা শগোলশেল নুমিত্তা গিব্রাল্টরদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

গ্রেস ৱান কৌবা ওইল টেঙ্কর অদু গল্ফতগী অফ্রিকা কোয়না লাকখিবা মতুং মেদিটরিনিয়ন সীগী মচিন্দা লৈবা বৃটিশ টেররিটরি মনুং চন্না ফাজিন্দুনা থমখিবনি। রোইটর্সনা রিভিয়ু তৌখিবা সিপিং দেতানা ভেসেল অদুদা ইরানগী সমুদ্র খোঙবান মনাক্তগী লৈবাক অসিগী থাউ হাল্লগা লাকখি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎখি। অমরোমদা, টেঙ্কর অদুদা য়াওরক্লিবা দোক্যুমেন্টশিংদদি মদুদা পুরক্লিবা থাউ অদু য়ুমথংনরিবা ইরাক্তগীনি হায়না পনখি।



টেঙ্কর অদুবু ফাজিল্লিবা গিব্রাল্টরগী ওথোরিটিশিংনা খোঙথাং অদু চহী কয়ামুক সিরিয়াগী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংনা থম্লকখিবা অথিংবশিংগী মখাদা লৌখৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিং অসিগী ৱারোল অদুদা ভেসেল অদুদা য়াওরিবা থাউদু করম্বা লৈবাক্তগীনো হায়বদি পনখিদে। তৌইগুম্বসুং টেঙ্কর অদুদা য়াওরিবা থাউ অদু ইরান্দগী হাল্লকখিবা ওইরমগনি হায়বগী থাজবা অসিনা থৌদোক অসিগা য়ু এসনা মালেম পুম্বদা ইরানগী শুংদোক্লিবা থাউ য়োনবদা ইনৌ নৌনা অথিংবা থম্নবা হোৎনরকপগী খোঙথাংগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈহল্লে হায়রি। য়ু এসকী থৌওং অসিবু ইরানগী মায়োক্তা চথরকপা লোনা য়াদবা শেল-থুমগী লান অমনি হায়না টেহরান্না ফোঙদোকখ্রবনি।

গিব্রাল্টরদা ওইল টেঙ্কর ফাজিনখিবগী থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে হায়রি। হৌখিবা থাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অরোইবা মীৎকুপ্তা ইরানগী মায়োক্তা চথনবা থৌরাংলম্বা এয়র ষ্ট্রাইক চথবগী ফিরেপ হন্দোকখিবা অমসুং টেহরান্না ন্যুক্লিয়র দিল অমগী মখাদা অথিংবা লৈন-লৈনা এনরিচ য়ুরেনিয়মগী ষ্টোক হেনগৎহনবনচিংবা তৌখিবা মুকুবগী ফিভম অদুদা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংনা কানামত্তগী মীচঙ চঙদনবগী ফিরেপ অমা লৌদুনা লাক্লিবনি। গিব্রাল্টর গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা গ্রেস ৱান হায়রিবা ভেসেল অদুনা সিরিয়াদা লৈবা বানিয়াস রিফাইনরি য়ৌগদবা শুংদোক্লিবা থাউ পুরম্বনি হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা মরম কয়া লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

রিফাইনরি অদু সিরিয়াগী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না থল্লিবা অথিংবশিংগী মখাদা য়েংশিনফম থোকপা এনটিটি অমগী প্রোপর্টিনি হায়না গিব্রাল্টরগী চীফ মিনিষ্টর ফাবিয়ন পিকার্দোনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা মহাক্কী অয়াবা য়াওরগা গিব্রাল্টরগী হিথাংফম অমসুং লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা রোয়েল মরিন্সকী মতেং লৌরগা ওপরেসন অদু পাঙথোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইটালিগী ইথৎতা মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী মীওই ১ শিরে



রোম, জুলাই ০৪ (এজেন্সি): ইটালিগী ষ্ট্রোম্বোলি ইথৎতা লৈবা মৈগী চীং অমা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অকনবা মওংদা পোকখায়রক্তুনা মনুংদগী অশাবা উৎ মপৈশিং অমদি অশাবা মহী অমসুং মপং ময়াম অমা কাপথোরকখিবগা লোয়নননা মীওই অমা শিরে অমসুং মীয়াম্না পাম্নরবা টুরিষ্ট রিজোর্ট অমা উৎনা কুপশিনখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিং অমদি অউবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মৈগী চীং পোকখারকখিবদুদা শিখিবা লম কোইবা মীওই অমনি হায়না থাজনবা মীওই অদু মখোঙনা চৎলিঙৈদা খঙহৌদনা মথক্তা নুঙ খরা তাশিল্লকপদগী লাইবক থিরবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না রেস্ক্যু সর্ভিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। অনীশুবা মীওই অমনা নুঙ ময়াম তাশিল্লকপা অদুদা অশোক-অপন নংখি।

খঙহৌদনা মৈগী চীং পোকখায়রকখিবা অদুনা ইটালিগী সমুদ্র খোংবানগী মনাক নক্নুনা সিসিলিগী অৱাংদা লৈবা মেদিটরিনিয়দ ইথৎ মচা অমগী নোংচুপ থংবা নাকলদা মৈ চাক্লকখি। মনাক নকপা মফমশিংদগী ফায়র ক্রুশিং কৌশিনবগা লোয়নননা মৈদু কন্নবা হোৎনবদা কানাদাএয়রগী প্লেন অমসু শীজিন্নখি। মৈগী চীং পোকখায়বগী ঙক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদু ঐখোয়না হোটেল অমদগী উবা ফংখি। হৌনা ঙংবগী মখোলশিং তাবা ফংখি হায়না ইথৎ অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ফিকো গ্রান্দেগা নক্নুনা লৈবা হোটেল অমদা থবক তৌবা মিচেলা ফেভোরিটো কৌবা নুপী অমনা ফোঙদোকখি।

ঙংবগী অহৌবা মখোল অদু তাবদা নাকোং মেনশিনখি অমসুং ঙাইহাক্কী মনুংদা ঐখোয়গী ইথত্তা উৎ মপৈ মপৈ কুপশিল্লকখি। অতিয়া পুম্বা উৎনা থনখি হায়না মহাক্না রোইটর্সতা মখা তানা ফোঙদোকখি। ষ্ট্রোম্বোলিদগী কিলোমিটর ২৭ লাপ্পা লৈবা পানারিয়া কৌবা ইথৎ অমদা লৈরিবা ফিওনা কার্টর কৌবা বৃটিশ টুরিষ্ট অমনসু মৈগী চীং পোকখায়বগী অহৌবা মখোল তাবা ফংখি হায়না ফোঙদোকখি। টুরিষ্টশিংনা মৈগী চীং অদুগী ফুট ৩০০০ ৱাংবা মতোল অদু তোয়না কাদুনা মৈগী চীংগী মচিন অদুদা হেক হেক য়েংথনরিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইনৌ নৌনা পোকখায়রকখিবা মতম অদুদা মৈগী চীং অদুগী মচিন্দা মী লৈখি নৎত্রগা লৈখিদে হায়বগী মতাংদা শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

জিওলোজি দোট কোম ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না ষ্টোম্বোলি অসি মালেম লৈশা অসিদা লৈরিবা খ্বাইদগী এক্তিভ ওইবা মৈগী চীংশিংগী মনুংদা অমনি। চীং অসি চাওনা নৎত্রবসু কুমজা ১৯৩২ দগী লেপ্তুনা পোকখায়দুনা লাকখিবনি হায়রি। ইথৎ অদুদা ইনগ্রিদ বর্গমেন্না মরু ওইবা শক্তম লাংখিবা মুভি অমা কুমজা ১৯৫০ দা নমখ্রবনি। এওলিয়ান অর্কিপেলাগোদা লৈরিবা অতৈ ইথৎশিংদু হৌখিবা চহী কয়ামুক অসিদা শেঙ্গাও পায়বা অমদি মশক নাইবা মীওই কয়াগী হোলিদে হোমশিং ওইদুনা লাকখিবনি।

## য়ু এস-চাইনা ৱারী মখা চথবা হৌরগনি

ৱাশিংটন, জুলাই ০৪ (এজেন্সি) :
মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি অনীগী মরক্তা চহী অমা চুপ্পা চথরকখিবা লল্লোন-ইতিক্কী লান লোইশিন্নবা হোৎনরদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মকোক থোংবা মীহুৎশিংনা মথং চয়োলদগী লেপ্পুরবা ৱারী মখা চথবা য়ানবা কন্না শেম-শারি হায়না ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসকী ইকনমিক এদভাইজর লেরি কুদলোনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱারী শান্নবদু চয়োল অসিদা মখা চথবা হৌরগনি হায়খি। মদুগী তুংদা য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টিটিভ ওফিসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্নবা থৌরাংলিবা মীফম অদুগীদমক্তা নাকল অনীগী ওফিসলশিংনা ফোনগী খুথাংদা ৱারী শান্নবগী অকনবা প্রোসেস অমা চথরি। য়ু এসকী মায়কৈদগী শরুক য়াগদবা মরু ওইবা নিগোসিএটরশিংগী মনুংদা য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভ রোবার্ট লাইটিজর অমসুং ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভেন মন্যুচিন য়াওরি।

## অথিংবা লৌথোক্লবদি ৱারী শান্নবগী ৱাফম খন্নগনি

দুবাই, জুলাই ০৪ (এজেন্সি):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগা লোয়নননা ইরানগী টোপ ওথোরিটি অয়াটোলা অলি খামেনৈনা অয়াবা পীরকপা মতমদা টেহরান অমসুং ৱাশিংটন্না ৱারী শান্নবা য়াগনি হায়না ইরানগী ইন্টলিজেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা ইন্টলিজেন্স মিনিষ্টর মহম্মৌদ অলাবিনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা হায়, করিগুম্বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অথিংবশিং লৌথোকপগা লোয়নননা ঐখোয়গী সুপ্রিম লিদরনা ৱারী শান্নবগী অয়াবা পীরবা মতম খক্তদা অমেরিকাগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অসি ইরান্না খন্নবা য়াগনি। অমেরিকানশিংনা ইরানগী মিলিটরি পাৱর কিবদগী ইরান্দা এটেক তৌনবা মখোয়না লৌরম্বা ৱারেপ অরোইবা মীৎকুপ্তা হন্দোকখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জুন ২০ দা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝতা ইরান্না অনমেন য়ু এস দ্রোন অমা কাপথখিবগী লমন খুম্বা ওইনা ইরানগী মায়োক্তা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চথনবা তৌরম্বা থৌরাং অমা খোঙথাং অদুনা মীওই ১৫০ গী পুন্সি লোমহনবা য়াই হায়রদুনা ট্রম্পনা অরোইবা মীৎকুপ্তা হন্দোকখিবনি। ইরান্দা লান্দাবগী ৱারেপ হন্দোকপগা লোয়নননা মহাক্না টেহরানগা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখিবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL
NOTICE
Dated, the 4th July, 2019

No.MU/6/14/2019/Admn.I (Pt-III):/1406 In continuation of the Advertisement No.1/2019 and Advertisement No. 2/2019 dated the 27th May, 2019, it is hereby notified for general information that the last date of submission of forms for **Group-A posts and online application for Group-B & C posts** has been extended upto 5 p.m. of the 9th July, 2019.

Sd/- T. Shantikumar Singh
Deputy Registrar (Admn.)

HL-B/5532/5

## হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিং শৌগৎলি হায়বা বৃটেন্না য়াখিদ্রে

লন্দন, জুলাই ০৪ (এজেন্সি):
হান্না বৃটিশ কোলোনি ওইরম্বা হোং কোংদা থোকখিবা ইরাংগী মতাংদা চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়ানা মদু নোংচুপ্লোমগী আইদিয়লোগশিংননি হায়না মরাল শীখ্রবা মতুংদা সিটি অদুদা মীয়াম্না হৌখিবা ইরাং অদু মহাক্কী মায়কৈদগী শৌগৎখিবা লৈতে হায়না বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি জেরিমি হন্টনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অমা, সিষ্টেম অনী হায়বা প্রোটেষ্ট তৌবগী রাইট য়াওনা মেনলেন্দ চাইনাদা মীয়াম্না ফংনদবা ফ্রীদমশিং য়াওরিবা ফোর্ম্যুলা অমগী মখাদা কুমজা ১৯৯৭ তা চাইনিজ লৈঙাক্তা সিটি অসি শীন্নখিবগী কুমওন নুমিৎ হৌখিবা নিংথৌকাবদা প্রোটেষ্টর চা কয়ানা থোমজিন্দুনা হোং কোং লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী বিল্ডিংদা অকায়-অতোই কয়া থোকহনখিবনি।

থৌদোক অদু হৌজিক্তি মরী লৈনবা থবক খুদিংমক লেপখ্রবা ক্রিমিনেলশিংনি হায়না চিংনবা মীওই কয়াবু মেনলেন্দ চাইনাদা এক্সট্রাদিসন তৌবা য়াহনগদৌরিবা বিল অমগী মায়োক্তা মীওই লিশিং চা কয়ানা চয়োল কয়া প্রোটেষ্ট তৌরকখিবা মতুংদা থোকখিবনি। করিগুম্বা চাইনানা হোং কোং পায়শিনখিবা মতমদা বৃটেনগা য়ানখিবা ৱাফমশিং থওইদবা তারবদি থোকহন্নিংদবা ফত্তবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই হায়না কন্না হন্টনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা হোং কোংগী মতাংদা চাইনাগা বৃটেনগা ৱাহৈগী অকনবা লান অমা শোক্নরকখিবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADMISSION NOTICE
Dated, the 4th July, 2019

No. MU/3-158/14/Aca(Pt):/1410 In continuation of the admission notice dated the 27th June, 2019 the last date of Online & Offline Submission for admission in MA/MSc/MCom/MLIS/MCA (First Semester) **in Adult Continuing Education and Extension, Anthropology, Biochemistry, Biotechnology, Chemistry, Commerce, Computer Science, Dance, English and Cultural Studies, Earth Science, Economics, Education, Forestry & Environmental Science, Fine Arts, Geography, Hindi, History, Library & Information Science, Life Sciences, Linguistics, LLM, Mass Communication, Manipuri, Mathematics, National Security Studies, Philosophy, Physics, Political Science, Physical Education & Sports Science, Psychology, Sociology, Statistics, South East Asian Studies and Yoga Science** for the academic session 2019-2020 has been extended as given below:-

| | |
|---|---|
| Last Date for Online Submission | 10th July, 2019 |
| Last Date for Offline Submission | 12th July, 2019 |

Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar i/c

HL-B/5531/5

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

Advertisement
Dated, the 4th July, 2019

**No.MU/Math/Lecture/2013);**/1408 It is hereby notified that 5(Five) Guest Faculty on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Mathematics through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** - 16.07.2019 at 11:00 A.M.

**Place of Interview:** - Vice Chancellor's Committee room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Mathematics, Manipur University, Canchipur- 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/- H. Tongin Maring
Assistant Registrar

HL-B/5533/5